## তামু দিফেন্স ফোর্সনা...

*লামায় ১গী মখা...* গ্রেনেদ শীজিন্নদুনা দাউনটাউন টামুদা লান্মী কয়া হাৎখি। এপ্রিলগী ময়ায় চনবা শরুক্তনা জুন্টাগী ফোর্সশিংনা টি এস জিগী মায়োক্তা ফাবা পূনবগী অকনবা কেম্প্যেন অমা চথরখিবগা লোয়ননা গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিং লোৎতুনা লৈরকখিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা সিভিলিয়ন নেসনল য়ুনিটি গভর্ণমেন্টনা পীপলস দিফেন্স ফোর্স (পি দি এফ) শেমখিবা মতমদা টি এস জিগী মায়কৈদগী পি দি এফতা কোওপরেসন পীগনি হায়না লাউথোকখি। চয়োল অসিদা শোক্লখিবা লানদা দিফেন্স ফোর্স অসিনা গুরিলা ষ্টাইলগী ৱারফেয়র চথুখি অমসুং জুন্টাগী ফোর্সশিংদা এম্বুশ তৌরকখিবনি।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.048574 |
| US Dollar | 73.438385 |
| British Pound | 103.807352 |
| Australian Dollar | 57.306973 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.400989 |
| Japanese Yen | 0.675531 |
| Malaysian Ringgit | 17.798762 |
| Singapore Dollar | 55.276475 |
| South Korean Won | 0.065232 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.583569 |
| Thai Baht | 2.352295 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47320.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47165.00 |
| Delhi | – | Rs | 47165.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47960.00 |

## GAS NEWS

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.**
**BOOKING upto 10/05/2021**
VALID FROM.06/05/2021.
FOR HOME DELIVERY.
M.NO. 9089177227 & 9366597565.M.BOOKING OFFICE-9089161416.
CONT. TIME.8.00AM. TO.11.00 AM

**M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU**
**B/upto-31-03-021.**
v/from-21-03-021.
**Stk-306.**
Only home delevery, call to 7629966437.
Time - 8am to 2pm

**HIYANGTHANG INDANE.**
**Booking 17-03-21.**
Valid 14-03-21.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 7085557686

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00amto12:00noon
**BOOKING : 16.03.21**
VALID : 11.03.2021
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156, 7630902992, 7085198900
ONLY FOR ALL THANG-MEIBAND & LAMPHEL
7628098544, 9089370369
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

**TDK GAS**
**BK. UPTO 12/03/21.**
VF.09/03/21.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8732992324.
TIMING 9:00am to 3:00pm

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 09/04/2021
**BOOKING upto:10/04/2021**
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY:(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO)
9436280866
TIMING: 8:00am to12:00pm
(HOME DELIVERY ONLY)

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking Upto 14.2kg - 08/05/2021**
Valid from-05/04/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631 or 8119967523
Call timing:8:00am to2:00pm

**MAIBIA GAS MOIRANG**
**BOOKING upto:20/04/2021**
VALID FROM: 19/04/2021
**STOCK= 306;**
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS.
1.DILIP-9612883295, ROMESH--7629090297 (MOIRANG A/C).
2.GOBIN-7005913637 (THANGA A/C), 3.NANDA-9362111646/AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 am to12 noon

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 13/02/21**
**Valid from** 10/02/21
Time: 07am to 10 am
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

# এপ্রিল ২০গী কৌব্রুগী এগ্রিমেন্ট হন্দোকউ নৎত্রগা মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌগদবনি : হাওমি

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

হৌখিবা এপ্রিল ২০, ২০২১দা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ মাউন্ট কৌব্রু (সী ও পি পি টি) বু মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা মাগী লম্ফেলদা লৈবা ক্বার্টরদা কৌদুনা কৌব্রুগী মতাংদা পোইন্ট ৪ য়াওবা এগ্রিমেন্ট অমা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই য়াওনা তৌনখি। তৌখিবা এগ্রিমেন্ট অদু ফেদরেসন ওফ হাওমিগী মায়কৈদগী অরোনবা এগ্রিমেন্টনি হায়বগা লোয়ননা হায়রিবা এগ্রিমেন্ট অদু থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা মিনিষ্টর অনীনা মীয়াম খঙনা হন্দোক্কদবনি নৎত্রগা মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌগদবনি হায়রি।

ৱাফম অসি ইম্ফালগী কবো লৈকায় (দ্যুলালেন্দ) দা লৈবা ফেদরেসন ওফ হাওমিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ডা. লৈশেম্বা মঙাংনা থোরকখিবা চেরোল অমদা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কৌব্রু ইরমদমসিগী হৌরকমীগা শাগোন্নরকপা তৎন-থানবা য়াররোইদবা মফমনি। মসিবু কনবা অমদি ঙাক শেনবা হায়বসি হৌরকমী ঐখোয় খুদিংমক্কী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি। মসিবু মুখৎনবা হোৎনরকপা হায়বসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা অচৌবা শিংনবা অমনি হায়বগা লোয়ননা মসি তৌরোইদবনি হায়রি।

কৌব্রুবু মপু শাজিনবা, কৌব্রুগী ওইবা হৌরকপা ৱারী খঙদবা মীওই খরসিনা ইরমদমসিগী য়েলহৌমীশিংদা তোয়না খোইগী মহুমদা চৈনা থিনবগুম্না কাইহৌবসি কুইরক্লে। মসি খুদক্তা লেপকদবনি হায়রি।

কৌব্রুগী মতাংদা মিনিষ্টর অনীনা মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা মরু ওইনা লমগী মপু ওইরিবা য়েলহৌমীশিংগী ৱাখল্লোন য়াওদনা এগ্রিমেন্ট তৌবগী রাইট লৈতে। ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অমা ওইরগা রিজার্ভ ফোরেষ্ট মনুংদা পোপি থাবা, য়ূম-কৈশাজিনবা, উয়ান্থুৎপা, লম্মৈ থাবা, অফং-অফংবা শা হাৎপসিদা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবসি করম্বা মখলগী ফোরেষ্ট মিনিষ্টরনো হায়বা ৱাহংসু হংলক্লি।

লোয়ননা ঙসিদি কৌব্রু হান্নগী শক্তমদু নৎত্রে। উ-ৱা, শা-ঙা লৈতবা পূমকোক কোকপা ওইরে। মসিদা শৌগৎলিবা সী ও পি পি কে হায়রিবা কাঙবু অসিনা মখা তানা কৌব্রুগী মতাংদা ৱা ঙাঙফম থোক্ত্রে। মসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মণিপুর মীয়ামগী নুংদা ফাওরিবা অৱাবা অমদি থম্মোয় শোক্লিবসি উবীরগা থবক্তা ওন্থোকপীরক্কনি হায়নসু ফেদরেসন ওফ হাওমিগী মায়কৈদগী থাজবা থল্লি হায়রি।

# ‘মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সিনারিও অমদি এদমিনিষ্ট্রেসন্দা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রি’

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

অখিল ভারতিয়া ভিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি) মণিপুরনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস-চান্সেল্লর এপোসন্ট তৌবীনবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা চিঠি অমা থাখ্রে। মতম কুইনদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি রেগ্যুল ভি সী অমা লৈরক্তবনা মরম ওইরগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী সিনারিও অমদি এদমিনিষ্ট্রেসন্দা থোইদোক্লা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদনা লাক্লি হায়রি।

অখিল ভারতিয়া ভিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি) মণিপুরগী ষ্টেট সেক্রেটরি আর কে রবিচন্দ্রনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এম ঐচ অর দি)না মমাঙ চহীগী ফেব্রুৱারী ২১দা প্রোফেসার অদ্যা প্রসাদ পান্দে দিসমিস তৌখ্রবা মতুং অতেনবা মতমদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা ভি সী ইনচার্জ ৩ লৈখ্রে। অদুগী মতুংদা হায় কোর্ট (ওফ মণিপুরনা ফোর্মর চীফ সেক্রেটরি ওফ মণিপুর জর্নেল সিংহবু য়ুনভির্সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা এপোইন্ট তৌবগী ওর্দর থোকখি। নভেম্বর ৩০, ২০২০দা জর্নেল সিংহনা ফমসি থাদোকখ্রবা মতুং ভি সী ইনচার্জ অনী অমগা য়ুনিভর্সিটি অসিদা মথং মথং ইনচার্জ ওইনা থৌ পুরি।

মমাঙ চহীদা এম ঐচ আর দিনা এদভর্টির্জমেন্টগী নোটিস থোক্তুনা ইন্টরভিয়ু ফাওবা ২০২০গী ওগষ্ট ১৯-২০দা তৌবা লোইখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা রেগ্যুলর ভি সী অমত্তা থাবীরক্তবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না এ বি ভি পি মণিপুরগী ষ্টেট সেক্রেটরি আর কে রবিচন্দ্র সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

চপ চাবা রেগ্যুলর ভি সী অমা এপোইন্ট তৌবা হায়বসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংগী অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিভলপমেন্টকী য়াম্না মরু ওই হায়বসি এ বি ভি পি মণিপুরনা খঞ্জবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা রেগ্যুল ভি সী অমা হাপ্পীয়ু হায়দুনা চিঠি অমা প্রসিদেন্টতা থাখিবনি হায়রি।

# ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখ্রবী ভিক্তিমগা উনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

থা অসিগী ৯দা সিলচর এন আই আই টিদা থোকখিবা রেপকী মতাংদা ঙসি মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট ওফ অসাম (এম ৱাই এফ এ) অমদি অসাম মণিপুরী মৈরা পায়বী অপূনবা লুপ (এ এম এম পি এ এল)কী মীহুৎ অমা চত্তুনা ভিক্তিম ওইরিবা য়ুম মোধতিলা খুলদা চত্তুনা ভিক্তিম ওইরিবা নুপী অদুগা উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে।

মোধুতিলা মৈরা পায়বী লুপকা লোয়ননা খুঞ্জাশিংগা ৱারী শানখ্রে। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অহুম অসিবু শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়না মোধুতিলা মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট সোবিতানা ফোঙদোক্লকখি।

এ এম এম পি এ এলগী প্রসিদেন্ট ইমা সনাথোইনা ঐখোয়গী মৈতৈ নুপী অমবু ইজ্জৎ মাঙহনবা হায়বসি ঐখোয়বু উশিত্তবনি। মরম অদুনা মৈরা পায়বীগী মায়কৈদগী অকনবা চৈরাক পীননবগীদমক দি সীগা উনরগা ৱারী শানরগনি। লোয়ননা কম্মিসন্দসু ৱাকৎলগনি হায়খি।

এম ৱাই এফ এগী প্রসিদেন্ট থাংজম ব্রোজেননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংবু ফাঁসিগী চৈরাক পীগদবনি হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিল্লগনি। করিগুম্বা কছার এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইনিসিএটিভ লৌবীদ্রগদি হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদসু ৱাকৎলগনি হায়খি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা এম ৱাই এফ এগী চীফ এদভাইজর সেরাম হেরাজিৎনা সিলচর সদরগী ও সী দিতুমোনি গোস্বামিগা ৱারী শানদুনা কলপ্রিটশিং অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়না ৱারী শানবদা ও সীনা ফোঙদোক্লকখিবদা, কলপ্রিট অহুমক সিলচর সেন্ট্রেল জেলদা থমজিনখ্রে। মেদিকেল রিপোর্ট লাক্লবা মতুংদা এক্সন লৌখৎলগনি হায়না থাজবা পীরকখি।

মখা তানা হেরাজিৎনা ভিক্তিম নুপী অদুগা উনদুনা মহাক্কী কেসতা অঙম্বা মতেং পাংবা লোয়ননা ফাইনান্সিএলগী মতেং ফাওবা পাংনবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীরমখি। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা মৈরা পায়বীগী থাবলৈ দেবী, মেমচা দেবীনচিংবা শরুক য়াখি।

# কোভিদ ক্যের সেন্টর অথুবদা লৈঙাক্লা হাংদোকপীয়ু: টি য়ু সী

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মণিপুরদসু অনাবগী মশিং অমদি লৈখিদবগী মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। ইম্ফালগী ময়োলদা লৈরিবা থাংমৈবন্দ এ সী অসিদসু লাইচৎ অসিনা য়াম্না চাওনা শোকহল্লে। মরম অসিনা এ সী অসিখক্তগী ওইবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা হাংদোকপীয়ু হায়না থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লব (টি য়ু সী) গী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মমাঙদা থোকখিবা লৈঙাক্কী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না এ সী অসিগী ওইনসু এম এল এনা চ্যেরমেন ওইনা কোভিদ ক্যের কম্মিটি অমা শেম্লে। অদুনা অনাবা মী কদায়দা পুখৎকদগে অমদি করি তৌগদগে খঙদনা লৈরি। কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেনন ওথোরিটিদা হায়রুবা মতমদসু প্রোসেস তৌরি হায়দুনা মতম শাংনা চঙহন্দুনা লৈরে। প্রোসেস ঙাইরিঙৈদা মী শিবনা হানবা য়াওরে। মরম অদুনা অতৈ এ সীগা য়েৎশন্নদবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা লৈঙাক্লা য়াম্না থুনা হাংদোকপীয়ু। মসিদা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবনসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

# হীদাক লাংথকশিং মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লায়না লাইচৎ অসিগী শাফু অসিদগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা শেল-থুমগী ফিভম ফৎত্রবা মফম খরদা ঈ টি এ : নোর্থ-ইষ্ট রুমেন’স নেটৱর্কনা ইম্ম্যুন বুষ্টর মেদিসিনশিং ঙসিদগী হৌদুনা য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

অহানবগী ওইনা থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী বি পি এলগী মখাদা লৈবা ৱাংজিং, খোংজোম, ককচিং, লিৱা, কৈবুংগী মফম খরগী বেনিফিসরি ২০০দা হীদাকশিং য়েনখি। হায়রিবা হীদাকশিং জিনসেং, মল্টিভিটামিন, মল্টিমিনরেল অমদি এন্টিওক্সিদেন্ট কেপস্যুল অখন্নবা দোক্তরশিংগা তানরগা লেপখিবা ইম্ম্যুন বুষ্টর ঙাক্তনি।

হায়রিবা ঈ টি এ:নোর্থ-ইষ্ট রুমেন’স নেটৱর্ক অসি অৱাং নোংপোক্কী নুপীশিংগী মরু ওইনা মণিপুরগী মপান্দা সেট্টল তৌদুনা লৈখ্রবা নুপীশিংনা৬৭ মতম মতমগী ইস্যুশিংদা তেংবাং পীরিবা সপোর্ট গ্রুপ অমনি। মীয়াম পুম্নমক্না ইশা ইশানা রেস্পোন্সিবল ওইবা সিটিজন অমা ওইনা এস ও পি ঙাক্লা লায়না লাইচৎ অসিদগী লান্থেংনবা ঙম্ম বা হোৎনমিন্নসি হায়না আপীল তৌরক্লি।

# মহৌশা কনবা লূপ্না কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

ইকুই কুইদনা সিলচরগী নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী বোইস হোষ্টেল মনাক্তা নহা ওইরিবী মৈতৈ নুপী লুখ্রাবী অমবু ফন্নানখিবগী থৌওং অদু মহৌশা কনবা লুপ্না অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা পেন্দবা অমদি নুংঙাইতবসু ফোঙদোকচরি হায়না লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মীওইবগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবগী ৱাংমদা তৌখিবা মথোং হুক্তবা থৌওং অসিদা চেন্নদুনা ফারবা মখোয় অহুম অদুগী অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়না তকশিল্লি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মরাইবক থিরবা নৌনা লাখ্রা ওইহৌরবী নুপী অদুগী মচা অনী অমসু লৈরি। থৌদোক অসিগী মতুংদা নুপী অসি দিপ্রেসনদা লৈরি। ফিভম অসিদা মহাক্লা লেমহৌরিবা পুন্সি করম্না লেনগনি, পীক্লিবা মচা অনী অদু কনানা য়েংবীগনি। য়োকপীগনি হায়বসি খল্লুবদা থম্মোয় পানবা মীওই খূদিংদা নুংঙাইতবা অদুম ফাওহনগনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা অসাম লৈঙাক্লা নুপী অসিদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীবিদুনা নুপী অসিগী পুন্সিবুসু কনবীয়ু হায়রি।

লোয়ননা নুপী অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগীদমক এ এ এম এস য়ুনা চঙশিল্লকপা খোঙথাং খূদিংদসু মহৌশা কনবা লুপ্না অঙম্বা মতেং পাংজগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা অসাম লৈঙাক্লা তৌফম থোকপা থবক খূদিংমক অমত্তা চিথদনা অমদি অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবগীদমক অসামগী চীফ মিনিষ্টরদা তকশিন্নবসু খঙহল্লক্লি।

# দল্লিয়ু ৱাই দি এসনা শোখরবশিংদা তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস): ৱাংময়ূম য়ুথ দিভলপমেন্ট সোসাইটি (দল্লিয়ু ৱাই দি এস)না কনা লৈজদ্রবা তোল্ল-তারবা, লুখ্রাবীশিং অমদি শোখনা লৈরবা লিলোংগী য়ূমথোঙ ৫০দা ঙসি ইদ-উল-ফিতরগা মরী লৈননা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

দল্লিয়ু ৱাই দি এসনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, তেংবাং পোৎলম অসি শোখনা লৈরবা তোল্ল-তারবশিংবু পুখৎতুনা মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্নবা পান্দমদা য়েন্থোকপনি।

তমথিরবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ লাইচৎনা মরম ওইরগা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা কর্ফিয়ুগী চৈথেং মায়োক্লরিবা মতম অসিদা ইদ-উল-ফিতর পাঙথোকপা ঙম্নোইদবা শোখনা লৈরবশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি তেংবাং ওইনা পীবনি হায়রি। লাক্লিবা ইদ-উল-ফিতর অসি কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎমিন্নসি। লোয়ননা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা তংদু-লৈতাবা ইরমদম অমা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

# লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শীংথানবা য়ানা...

*লামায় ১গী মখা...* লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটি ফোর্স, পেরামিলিটরি ফোর্স অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা চীং অমসুং তমগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ওপরেট তৌরিবা ইন্সর্জেন্ট গ্রুপশিংনা ভাইওলেন্সশিং চথরক্লবসু সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিনা হায়রিবা থৌদোকশিং অদু হেঙ্গৎহনবা ঙমহন্দ্রি হায়বগা লোয়ননা অসাম রাইফলসনা চথরক্লিবা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন (সী আই-ওপস) অসিসু শীংথানীংঙাই ওইরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ডা. নাজমা হেপতুল্লানা হৌজিক্লা এক্ট ইস পোলিসি হায়দুনা খঙনরবা লৈবাক অসিগী লুক ইষ্ট পোলিসি অসি অচুম্বা মায়কৈদা পায়খৎলক্লগদি লৈবাক অসিনা ২১শুবা চহীচা অসিগী মল্টি পোলর ৱর্ল্ড অসিগী গ্লোবেল পৱারশিংগী মনুংদা অমা ওইবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শক্লাইরবা মীওইশিংগী মনুংদগী প্রোফেসর এন লোকেন্দ্র, প্রোফেসর কে ইবো অমসুং প্রোফেসর অমর য়ুম্নাম্নচিংবা শক্লাইরবা স্পিকর অমসুং পেনেলিষ্টশিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মণিপুরদগী অহানবা জেনরেল ওইখিবা লেফটিনেন্ট জেনরেল ডা. কে হিমালয়া য়াওনা লেফটিনেন্ট জেনরেল কে কে সহানি, লেফটিনেন্ট জেনরেল পি মেনন অমসুং পালটি শর্ম্মা উপধ্যায়নচিংবা শক্লাইরবা নেসনল মেনষ্ট্রিমগী মীদিয়া অমসুং মমিং লৈরবা অইবা জায়দিপ সৈকিয়ানচিংবসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা স্পিয়র কোর্পসকী কম্মান্দর লেফটিনেন্ট জেনরেল জোনসন পি মেথিয়ুনসু অখন্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি হায়রি।

# এ আই আর ইম্ফালগী বিজয়া য়ূমলেম্বম...

*লামায় ১গী মখা...* মশাগী চহী ৫৭ রোম শুখ্রবী মহাক উরিপোক বাচস্পতি লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা ৱাই ব্রজমনিগী মচানুপীনি। মহাক কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী মমাঙ থাগী ২৬তা শিজ হোস্পিটালদা এদমিট তৌদুনা লায়েংলকখিবনি। অদুবু ঙসি নুংথিল টাইপ-ৱান রেস্পিরেটরি ফেল্লর ওইরকপদগী কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

মহাক্লা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা মণিপুরগী শক্লাইরবা ঈশৈ নোংমাইগী কাঙলূপ রুপ-রাগগী জেনরেল সেক্রেটরি কে বিরকুমারনা থোরকখিবা চেরোল অমদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মহাক লমম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরবু হেন্না চাওখৎনবা হোৎনরম্বা মীওইনি হায়দুনা শিংথাবগা লোয়ননা মহাক্লা লৈখিদবদা আর্ট এন্দ কলচরগী লম্‌দা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি হায়বগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ওইরসনু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, বিজয়া য়ূমলেম্বম্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা মণিপুরী জগোয় মরুপকী মায়কৈদগী সেক্রেটরি রাজকুমারী সনাহনবীনসু থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

# মোরেদা চঙবীরক্তনবা অপীল তৌরক্লি...

*লামায় ১গী মখা...*অপীল তৌরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা মোরেদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিং অসি মোরেগী মীওই নত্তবা/মোরেদা লৈতবা মীওইশিং ঙাক্তা ওইরে হায়বগী কনফার্মেসন তৌরবনা মফম অসিদা তঙাইফদনা চঙলক্কদবা মীওইশিংনা মেদিকেল দিপার্টমেন্টতগী কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরে হায়বগী রিপোর্ট/সর্টিফিকেট লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

হায়রিবা রিপোর্ট/সর্টিফিকেট অসি য়াওরক্তবা মীওই অমত্তা মোরেদা চঙহল্লরোই হায়রি। অমরোমদা, মোরেগী মীয়াম্নসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী পীরকখিবা কোভিদ-১৯গী গাইদলাইন নৎত্রগা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরশিং ঙাক্লা চৎনবসু আপিল তৌখি।

# পোজিটিভ মশীং ৬৬৬ থেংনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* ২ (মশাগী চহী ৫৫শুরবা নুপা ১ অমসুং চহী ৭৬শুরবী নুপী ১), বিষ্ণুপুরদগী মশাগী চহী ৫৪শুরবা নুপা ১ অমসু ককচীং দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৬৪শুরবা নুপা ১নি হায়রি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৭অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ৫২৬শুখ্রে।

অমরোমদা লায়না অসিদগী হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩৫৮নি। মখোয়গী মনুংদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১২, হোম আইসোলেসন্দগী ২৬৯, রিমস ৩, জেনিমস ১২, আর দি ৱিং ১২, বাল ভবন ৯, শিজ হোস্পিটাল ১৫, বিষ্ণুপুরগী কোভিদ ক্যের সেন্টর ৫, উখুলগী কোভিদ ক্যের সেন্টর ১০ অমসুং চুড়াচান্দপুরগী কোভিদ ক্যের সেন্টরদগী ১১নি হায়রি।

অয়াম্বা চাংদা পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং লেপ্তুনা থেংনরক্লিবা অসিদগী ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মশীং ৩৭,০৩৬শুখ্রে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩৩,৩৬১নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৬৭৫নি। লোয়ননা ঙসি ফাওবদা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীংনা ৩১,২৩৮নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৭,৭৪১ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৪৯৭নি হায়রি।

অদুম ওইনমক পোজিটিভ কেস মশীং ৬০০কী মথক্তা লানখৎলক্লিবা অসিদগী ঙসি ফাওবগী ওইনা এক্টিভ কেস মশীং ৫,২৭২ য়ৌহনখিবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৫,০৯৯ য়াওরি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ১৭৩নি। লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবগী চাং চাদা ৮৪.৯০ ওইরম্বা অদু ঙসিগী ওইনা ৮৪.৩৪দা হন্থরকখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, লায়না অসিনা নাহল্লবা মীওইশিংনা মথৌ তারকপদা শীজিন্ননবগীদমক হৌখিবা পুং ২৪দা ষ্টেট অসিগী হেল্থ ইন্সটিট্যুসন অমসুং হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১,০৬৮ অমসুং বি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৪০৭গী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি। অদুগা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌখিবা অপূনবা মীওইগী মশীংনা ২,৮২,৯৫৮শুরে হায়রি।

লোয়ননা হায়রিবা হীদাক অসিবু কাপথোকপা য়ারবা মীওইশিংনা রিমস, জেনিমস, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, কম্যুনিতি হেল্থ সেন্টরশিং, প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরশিং অমসুং খনগৎলবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা হীদাক কাপথোকপীবগা লোয়ননা ফেস মাস্ক শীজিন্নদুনা খূৎ-শা তোয়না হাম্বগী মথক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপীনবসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ঙসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ইখিবা চেরোল অমদা কোভিদ পেন্দমিক্তগী মণিপুর মীয়ামগী পুন্সি কনবগী থবক্তা হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসি পুরা ফেল ওইরে হায়বগা লোয়ননা মণিপুরগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ মায়োক্লরক্লিবা অসিগী য়েংবীদুনা দিফেন্স রিসর্ছ এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও) অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিগী মখাদা ফমুং ১০০০ লৈবা কোভিদ হোস্পিটাল অমা অথুবা মতমদা হাংদোকপীনবা হায়জখ্রে। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা তঙাইফদবা মচাক-মথুমশিং শুরবা য়ামদ্রবদা ফমুং ১০০/১০০ লৈহন্নবগীদমক অকনবা পাউতাকশিংগা লোয়ননা সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্স পীবিনবসু হায়জখি। লোয়ননা মশাগী চহী ১৮দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইসু য়াওনা মীপূম খুদিংমক্তা লেম্না হীদাক কাপহনবগী থবক অথুবা মতমদা পাঙথোকহনবগা লোয়ননা হীদাকশিং অসি মরাং কায়না ফংহন্নবসু হায়জখি।

চেরোল অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনা পেন্দমিক অসিগী সেকেন্দ ৱেভনা পোজিটিভ ওইহনবা অমসুং মী শিহনবগী চাংনুংতিগী হেনগৎলক্লি হায়বগা লোয়ননা হেনগৎলক্লিবা মশীং অসি মিলিয়নগী চাদা পারুরগদি অচৌবা ষ্টেটশিং ওইরিবা উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহার, রাজস্থান, গুজরাট অমসুং টেলঙ্গনানচিংবদগী মণিপুরনা হেল্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা হেল্থকী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক কোভিদ ক্রাইসিস থেংনননবগীদমক লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিদি লাইবক থীবনি হায়বগা লোয়ননা মার্চ ৩০, ২০২০দা লংথবালদা ফমুং ২০০ লৈগদবা ইমর্জেন্সি কোভিদ হোস্পিটাল অমা শাগনি হায়দুনা মীয়ামদা লাউথোকখিবা অদু হৌজিক শারব্রা হায়বা ৱাফমসু প্রাইম মিনিষ্টরদা ফোঙদোকখি হায়রি।

# হায় কোর্টনা থা অমগী মনুংদা স্ক্রিনিং কম্মিটি রি-কন্সটিট্যুট তৌরগা পন্থদনা থবক...

*লামায় ১গী মখা...* ও জিবনমালা (৫৭) অপোকপা ও কুল্লচন্দ্র, থাংমৈবন্দ কব্রাবম লৈকায়দগী দল্লিয়ু মেন্মা (৫৮) অপোকপা দল্লিয়ু হেরা, তাওথোংদগী পি ইবেমচা (৬০) অপোকপা পি নরান, পাৎশোইদগী আই গিতা (৫৭) অপোকপা আই বসন্তকুমার অমসুং টি ঐচ চন্দ্রসখি (৫৭) অপোকপা টি ঐচ ইবোহল উরিপোক নাওরেমথোংনি।

হায়রিবা পিটিস্নরশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট এদেদ প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিংনি। অদুগা মখোয়গা লোয়ননা পিটিস্নরশিং ওইরিবা চৌকিদারশিংনা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন্দগী এম দি অয়ুবখান (৫৭) অপোকপা এম দি অবদুল খলিক অমসুং নম্বোল নাওরেমদগী এন কাওবা (৫৭) অপোকপা এন চাওমচানি। অপূনবা পিটিস্নর ৩০ অসিনা ফাইল তৌরকখিবা মখোয়গী সিভিল রিট পিটিসন অসিদা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (এদ্যুকেসন-স্কুলস) অমসুং লোইশঙ অসিগী লম্ফেল পাৎতা লৈরিবা দিরেক্টরনি।

পিটিস্নরশিং অসিনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা গভর্ণমেন্ট এদেদ প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজা অমদি চৌকিদারশিং ওইজরিবা মখোয়গী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা ফাইল তৌখিবা দল্লিয়ু পি (সিভিল) নম্বর - ৩৭২ ওফ ২০১৫গী মতাংদা কোর্টনা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না মার্চ ২৮, ২০১৭তা পাঙথোকখিবা স্ক্রিনিং কম্মিটিগী মীটিং অদুগী রিজল্ট রেসপোন্দেন্টশিংবু লাউথোকহনবীয়ু হায়বসিনি।

লোয়ননা হৌখিবা কুমজা ১৯৭৮দা মণিপুর লৈঙাক্লা এদেদ প্রাইমারি স্কুল ৬৮২বু গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং ওইনা এপ্রিল ১৩, ১৯৭৮দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না লৌখৎতুনা ওনখৎখি। হায়রিবা থবক অদুদা গভর্ণমেন্ট এদেদ প্রাইভেট স্কুল অমমমদগী ওজা অমমমগা চৌকিদার অমমমগসু গভর্ণমেন্টগী এমপ্লোয়ী ওইনা লৌখৎখি। অদুবু পিটিস্নরশিং অসিবুদি হায়রিবা থবক অদুদা কোনশিনবীরমদনা হুন্দোক্লমখি। মসিগী মতাংদা ওজাশিং অমসুং চৌকিদারশিং অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জদুনা লাকখি অদুবু পূম্নমক অরেম্বদা তাদুনা লৈরে হায়খি।

কুমজা ১৯৭৮দা এদেদ প্রাইমারি স্কুল ৬৮২বু গভর্ণমেন্ট স্কুল ওইনা ওনখৎখ্রবা মতুং মতম শাংনা হায়রিবা ওজাশিং অমসুং চৌকিদারশিং অসিবু মীরাইদুনা থম্বীরকপদগী ওজাশিং অমদি চৌকিদারশিং অসিগী এসোসিএসনগী মায়কৈদগী রিট পিটিসন (সী আর) নম্বর - ৭৩ ওফ ১৯৮২ ফাইল তৌদুনা ৱাকৎখি। মসিগী মতুংদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর - ৩৭২ ওফ ২০১৫সু ফাইল তৌখি। অদুগা রিট পিটিসন অসিবু দিসপোজ তৌরদুনা কোর্টনা জুলাই ২২, ২০১৬তা পীখিবা ওর্দর অমদা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা ৱাকৎলক্লিবা ওজাশিং অমসুং চৌকিদারশিংগী ৱাফম অসি অমুক হন্না খন্ননবা দিরেক্সন পীখি।

কোর্টনা জুলাই ২২, ২০১৬তা পীখিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন-এস) না সেপ্টেম্বর ২১, ২০১৬তা অইবা চেরোল অমা দিরেক্টর (এদ্যুকেসন-এস) দা পীদুনা ওজাশিং অমসুং চৌকিদারশিং অসিগীদক স্ক্রিনিং কম্মিটি অমা শেম্নবা অদুগা মখোয়গী ৱাকৎশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগী মতাংদা খন্ননবা খঙহনখি হায়রি।

চৈরক্তুনা ওজাশিং অমসুং চৌকিদারশিং অসিনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগা চপ মান্নবা মীওই ১০ রোম্নসু কোর্টতা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর - ৭৯৩ ওফ ২০১৬ ফাইল তৌরকখি। অদুবু মখোয়গী কেস অদুসু কোর্টনা দিস্পোজ তৌরদুনা রেসপোন্দেন্টশিংদা মখোয়গী মতাংদসু খন্নগদবনি হায়বা দিরেক্সন পীখি হায়রি।

কোর্টকী ওর্দর মতুংইন্না শেমখিবা স্ক্রিনিং কম্মিটিগী মীটিং মার্চ ২৮, ২০১৭তা পাঙথোক্তুনা অন এপ্রুভ ওজাশিং অমসুং চৌকিদারশিং অসিবু রেগ্যুলর এমপ্লোয়ীশিং ওইনা লৌশিন্ননবগী মতাংদা খন্নখি। অদুবু নুমিৎতুদা পাঙথোকখিবা স্ক্রিনিং কম্মিটিগী মীটিং অদুগী ৱারেপ লাউথোকখিদে হায়রি।

মসিদগী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা পাঙথোকখ্রিবা স্ক্রিনিং কম্মিটি অদুগী রিজল্ট লাউথোকপীনবা দিসেম্বর ১৩, ২০১৮দা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা হায়জখি। অদুবু চেরোল অদুগী মতুংইন্না থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবদগী অমুক হন্না কোর্টতা রিট পিটিসন (সিভিল) ১২০০ ওফ ২০১৮ ফাইল তৌরক্তুনা ৱাকৎলকখি। ৱাকৎ অসিসু কোর্টনা তাবীবগা লোয়ননা খন্নরবা মতুংদা ওজাশিং অমসুং চৌকিদারশিংগী মায়কৈদগী দিসেম্বর ১৩, ২০১৮দা পীশিনখিবা স্ক্রিনিং কম্মিটিগী ৱারেপশিং লাউথোক্লবা রিপ্রজেন্টেসন অদু দিস্পোজ তৌনবা দিরেক্সন পীরকখি।

লোয়ননা কোর্টকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না দেপ্যুটি সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন-স্কুলস) কী মায়কৈদগী ফেব্রুৱারী ১৪, ২০১৯দা দিরেক্টর (এদ্যুকেসন-এস) দা অইবা চেরোল অমা পীদুনা হায়রিবা থবক অদু পাঙথোক্লবা খঙহনখি। অদু ফাওবদা কোর্টনা পীখিবা দিরেক্সনশিং থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী কন্টেম্প কেস নম্বর ৩৪ ওফ ২০১৯ ফাইল তৌখি। কন্টেম্প কেস অদুসু কোর্টনা খন্নবীদুনা মসিগী মরী লৈনবা দিরেক্সনশিং মার্চ ২৮, ২০১৯দা পীদুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহনখি।

অদুম ওইনমক, কোর্টনা নুমিৎসিদা পীখিবা ওর্দর অদু থবক্তা ওন্থোকপগী মহুত্তা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা এফিদেভিটতা স্ক্রিনিং কম্মিটি অদুগী থবক থৌরমশিং মপূং ফানা লোইশিন্দ্রিঙৈদা মসিগী চ্যেরমেন য়াওনা মেম্বরশিং ট্রান্সফর তৌখিবদগী কম্মিটি অসিগী মীটিংনা লৌখিবা ৱারেপশিং লাউথোক্তবনি হায়বা ৱাফম খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

মেট্টর অসি কুমজা ২০১৯দগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎলক্তুনা ৱায়েল চথরক্লগা মসিগী অরোইবা হিয়ারিং মমাঙ থাগী ২৮দা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা পাঙথোকখি। কোর্টনা মেট্টর অসি খন্নরকপদা পিটিস্নর পূম্নমক্কী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোতেন্দ্রোনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসল অনীগী মায়কৈদগী গভর্ণমেন্ট এদভোকেট টি ঐচ ভাসুমনা লেপখি।

লোয়ননা নুমিৎ অদুদা কোর্টনা রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা থা অসিগী ১০দা লাউথোক্লদুনা কোর্টনা রেসপোন্দেন্ট অনী অসিগী মনুংদা য়াওরিবা দিরেক্টর (এদ্যুকেসন-স্কুলস) দা পিটিস্নরশিংগী ৱাকৎ অসি কোর্টনা জুলাই ২২, ২০১৬তা পীখিবা ওর্দর অদুগী দিরেক্সনশিং অদু য়াওনা থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক অনৌবা স্ক্রিনিং কম্মিটি অমা থা অসিগী ১০দা পীরিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসি ফংবা নুমিৎতগী পারগা থা অমগী মনুংদা রি-কন্সটিট্যুট তৌনবা খঙহনখি। স্ক্রিনিং কম্মিটি অদু শেম্লগা খন্নরবা মতুংদা মদুদা লৌরকপা ৱারেপকী মতুংইন্না পিটিস্নরশিং অসিগীদমক এপ্রোপ্রিএট এক্সন/দিসিজন খুদক্তা লৌগদবনি হায়নসু খঙহনখি।